# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চীং হৈবোং

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হৈবোং পাম্বী মখল খরা ফংবগী মনুংদা চীং হৈবোং পাম্বী অসিসু অমনি। ঐখোয়গী তম্পাক্কী লমদমশিংদা য়াম্না তোয়না হৌরিবা অমদি শীজিন্নরিবা ময়াম্না হৈবোং নৎত্রগা চরোং য়ানবি হৈবোং পাম্বী অসিগা চীংদা হৌরিবা চীং হৈবোং পাম্বী অসিগা স্পিসিস খেন্নবগী মথক্তা শকওং-শাদাসু য়াম্না খেন্নৈ। চীং হৈবোং পাম্বী অসি ইংলিসতা হ্বাইট ফীগ (White fig) নৎত্রগা মাউন্টেন ফীগ (Mountain fig) নৎত্রগা গ্রীন ফীগ (Green fig) নৎত্রগা ষ্ট্রেঙ্গলর ফীগ (Strangler fig) নৎত্রগা ফীগ-ৱুদ (Fig-wood), হিন্দিদা পীখান (Pikhan) নৎত্রগা পাখার (Pakhad), মরাথিদা বাসারি (Bassari), টামিলদা কুরুগাতী (Kurugatti), সংস্কৃত্তা প্লাকসা (Plaksa), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফাইকস ভাইরেন্স (Ficus Viren (Miq) Miq)* নৎত্রগা *ফাইকস এম্পলা (Ficus ampla Kunth & DC. Bouche)* নৎত্রগা *ফাইকস টিমোরেন্সিস (Ficus Timorensis Dcene)* নৎত্রগা *য়ুরেস্তিগমা কেনালিকুলেটম (Urostigma canaliculatum Miq)* হায়না কৌই অমসুং *মোরেসী (Moraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং পাম্বী অসি খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং ইন্দিয়া, মলেসিয়া অমসুং অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ঐখোয়না চীং হৈবোং পাম্বী হায়রগা চীংগী লমদমশিংদতা হৌবগী মওং ওইনা লৌনরম্বা য়াই। অদুবু পাম্বী অসি চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা অদুমক ফজনা হৌই। চীং হৈবোং অসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা ফুট ৯০ ফাওবা ৱাংবা মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা উ পাম্বীনি। চীং হৈবোং পাম্বী অসি ষ্ট্রেঙ্গলর ফীগ কাঙবুগী মনুংদা চল্লি। মরমদি পাম্বী অসি অতোপ্পা পাম্বীগী মথক্তা মরূ তাদুনা নৎত্রগা উচেক-ৱায়ানা মরূ অদু চাশিনখ্রগা অমাংবা অদু অতোপ্পা উ পাম্বীগী মথক্তা ফায়জিন্দুনা হৌরগা তপ্না তপ্না চাওখৎলক্তুনা অতোপ্পা উ হায়বদি হোষ্ট ট্রী (Host tree) অদু হাত্তুনা হৌগল্লি। চীং হৈবোং পাম্বী অসি করিগুম্বা কান্দসু মনা অদুমক কেনগল্লি অমসুং ঙাংতক তৌবা অনৌবা মনাশিং চোংগল্লি অমসুং অয়েংবা মীওইশিংদা তোঙানবা ফজবা মশক অমা পীবা ঙম্মী। খোংনাংবোট পাম্বী হায়বদি বনয়ান ট্রীদা ওইবগুম চীং হৈবোং পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তগী মরা কয়ামরুম য়াম্থরক্তুনা লৈবাক্তা থেংদুনা হৌই। হায়রিবা মরাশিং অসিবু এরিয়েল রুটস হায়না খঙনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং পাম্বী অসি জপান্দসু অদুমক ফজনা হৌই। চীং হৈবোং পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমায়গী মিটর ৩০০দগী মিটর ২৭০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। চীং হৈবোং পাম্বীগী মহৈ অসি মিলিমিটর ১২দগী ১৫ ফাওবা মতুম তারপ্পা পাক চাউই। অহানবদা মহৈশিং অদু শংজরবসু মুনশিল্লক্লবা কান্দদি ঙাংলপ তৌনা হঙ্গাম মপাল মচু ওই অমসুং য়াম্না তেনবা মখোক্তা নপ্তুনা পাল্লি।



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি চীং হৈবোং পাম্বী অসি খরা নেমতক তৌবা চীং অমসুং চীংখোঙ চীংয়াশিংদা অদুমক হৌবা থেংনৈ। তম্পাক্কী মফম খরদসু পাম্বী অসি খরা খরা হৌই। চীং হৈবোং পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি চীং হৈবোং পাম্বীগী নৌতক তৌবা অমদি মচু ঙাংতক তৌবা মতোন অদু ঙা অয়াইবা থাক্তুনা থোংলগা অহাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। অনৌবা মতোন অদু চাক্তা ঙান্দুনসু পাম্না চানৈ। শা থোংবদা অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু থাকপদা তোপ তোপ্পা মহাও পীবা ঙম্মী। মণিপুরগী মপান্দা মরুওইনা চীংমীশিংনা চীং হৈবোং পাম্বীগী অনৌবা ময়োন-মতোন অদু হিংনা অমসুং থোংদুনা চাবগী পাউদমশিং লৈ। করিগুম্বদসু এঞ্জাং মহী শেম্বদা য়াম্না ফবা মচল অমা ওইনসু হাপ্লে। চীং হৈবোং পাম্বীগী মহৈ অসি খরা ফক্তক তৌজরবসু অঙাংশিংনা অদুমক পাম্না চানৈ। অনৌবা মহৈ অদু পানা শোইরগা অতোপ্পা মনা-মশিংগা পূন্না সলাদ নৎত্রগা শিংজু ওইনসু চানবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা মহৈ অদু ফজনা তকখায়রগা শা-ঙা থোংবদসু হাপ্তুনা শীজিন্নৈ। চীং হৈবোং পাম্বীগী মহৈ অদু অচার (পিকল) শেম্বদসু শীজিন্নৈ।




চীং হৈবোং পাম্বীগী লেটেক্স হায়বদি অঙৌবা মচুগী মহী অদুদগী মখল মখা কয়াগী পোৎথোকশিং শাবগী পাউদমশিং লৈ। চে অমসুং উ নপ্পবা অফবা মখলগী গম (Glue) শাবদা চীং হৈবোং পাম্বীগী মখোম অসি শীজিন্নৈ। চীং হৈবোং পাম্বীগী উ অসি য়াম্না কনবা ওইদ্রবসু উপু কাংথোন, চৌক্রি-টেবল অমদি য়ূম-কৈ শাবদা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং অসি খা ভারত অমসুং শ্রী লঙ্কাদা উরুম পীনবগীদমক্তা লম্বীগী নাক য়েত্তা থান্নৈ। পাম্বী অসি থোইদোক্লা মনা পুংবা মরম্না অঙাং শান্নফম লম্পাক অমসুং স্কুল, কোলেজ অমসুং ওফিসকী লম্পাকশিংদা পাম্না থানৈ। চীং হৈবোং পাম্বী অসি কোফি থাবা মফমশিংদা উরুম পীনবা থানৈ।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং পাম্বীগী অনৌবা মনা অদু ফাক লুয়েত (Phak lueat) কৌবা থাইলেন্দগী এঞ্জাং অদু থোংবদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ।

হীদাক ওইনসু চীং হৈবোং পাম্বী অসি অনা-অয়েক খরদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি চীং হৈবোং পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা মখল খরগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ।

কোলিন অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯০দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং পাম্বীগী মনাদা কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চীং হৈবোং পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা ঈশিংদা তিংদুনা লৌবা মহৈ অদুনা চীন-য়া চাথৎপা অমসুং তিন চোবদা (Salivation) তেংথোকপদা থোইদোক্লা কান্নবগী ফল পীবা ঙম্মী। হায়রিবা মহৈ অদু চাং নাইনা পীথকপদা নুপীনা য়াম্না তোয়না ফিঙৌ চৎপা (লিয়ুকোরিয়া) অসি ফহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। চীং হৈবোং পাম্বীগী উগী মকুদগী থোরকপা অঙৌবা মচুগী মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা তীল-কাংনা চিকপা অসিসু লায়েংনৈ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## খোঙবাল লাল্লুম্বা লৈরক শাথৌবনা ওইররোই

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হুরানবদি ফাদ্রিবা ফাওবা হুরানবনি হায়বা য়াবা নত্তে। অফাবা নুমিৎতুদা হুরানবগী মীংথোল অদুমক ফংলদবনি। মালেমসিদা হুরান্দবা কনানি হায়গনি? মপু খঙহন্দনা তুমিন্না লৌবা মসিসু হুরানবগী তশেং-তশেংবা ৱাহন্থোক হায়বদু ওইদৌরিবনি। হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা মসিদি তাইবঙ মীওইবসিনা লৈরিবমখৈ মুৎপা ঙমদনা লৈদৌরিবনি। তিৎতা-তিৎতা হুবগী থবকসিবুদি হুদা হুরবদি লৈমা হু হায়বগী পাউরৌ লৈরিবনি।

হুরাল্লগা হিংগনি খল্লিবা মীওই, হেক ফাবদা শিফম-নাফম খঙদনা শিদৌরিবনি। শূবা-নোম্বা ঙম্বা মীওইনা হুরানবগী লম্বীদা খোঙদাবা মসিদি কনানসু নুংশিনা খক ঙাঙনদবনি। চাওখৎলবা চকসিদা মীগী মপোৎপু হুগনি হায়দুনা থৌনা লৈনা খঙহন্দনা, উহন্দনা হুগনি হায়না হুরিবা মীওইদু মনাবু পীবা য়ারিবনি। খামদুনা থম্বা করিসু তৌররোই খন্দুনা মপুনা থাজবা থমদুনা থনল্লবা মমল য়াম্লবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী শো লোল্লবসু লোন্দ্রবসু অমহাগী-অমহা ওইরবা মসিদবু হৈতে-শিংদে করম মহায়গনি।

মতম অমগী ৱারীদা সাইকল মাঙবগী ৱারী লৈনরম্বগী মহুত্তা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীদা ওনশিল্লকখিবা, মথংদা করম্বা পোৎশক্তা ওইদৌরিবা? খোংবান তৌদুনা, ফক্লাং ৱাই তৈদুনা তানবা পৈশাদগীদি ঙাইহাক্কী ওইনা শিবা কিদনা মসিনা শেনফম অমা খঙবা, শিংদে পংই করম হায়গনি? মপুদগীদি হুরানবা মহাক্লা শিংবগী ৱাদদি ফনা নিংথিজনা হেল্লবনি হায়বদা য়াদবা কনাসু লৈররোই। শিবা কিদবগা লোয়ননা ইচং থৌরবা, পৈশা চবুনগী ৱাসিদি করিসু লৈবা নত্তে। মতম অমগী মীনা কিনরবা গুন্দা মখোয়না পায়রম্বা শিংজং মচা, জেপোশোরি অকাপ্পী... মথেল কয়াসিবু লৈতেদা হায়বা য়াবা নত্তে।

হায়রিবা মতমদুগী মমিং লৈরবা গুন্দা লৈকায়দা, খুলদা অদুমক মরৈরম্বনি। মতমদুগী মীওইশিংনা খ্বাইদগী কিনা খন্নরিবসু হোয়া-দোয়া লৈতবা মখোয়শিংসিনি। নুপী অঙাংনা কিজবা ওনশিন্দুনা ঙাঙনা শক্লনীংদবা... শম্না হায়রবদা হৈনদবা মীওইনা তিলাইখোম্বী উবদা হৈনদবা মসিমক ওইগনি। মীনা মীবু কিজবা, হৈনদবা হায়বসি অফবা পুরক্লবগী মরমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈগদৌবতনি। হৌজিক্কী মতমসিদগা ওইরবা অদুমক শন্দুনা তাবা নত্তনা অতৈ অমত্তা লৈরোইদৌরিবনি।

মতমদুগী অঙাং নৱা ওইরিবা কয়ানা ৱাচেৎ পায়দুনা থাঙনি খন্না থাঙ হাইরিবনি হায়না হাইবা মসিসু অদুমক তৌদে হায়বদা তৌনরম্বনি। নোংমা নোংমগী হৌখিবনা ঙসিদি ৱাচেৎ তঙ্খায় পায়দুনা থাঙনি খল্লম্বা মদুগী মহুৎ শিনবা ওইনা টোইগন কয়ানা মহুৎ শিল্লকপা মসি কনানসু হোংহল্লকপা নত্তে মতমগী য়াওলগী মতুং ইন্না লাকপনি।

মথংদা করিনা অমুক মহুৎ শিন্দৌরিবা? হায়বা ঙম্বা নত্তে। নোংমৈনা মহুৎ শিল্লকপদগীদি মহা প্রলয়গী ফীভম লাকনীং-লাকনীং তৌরক্লিবসিনি। মসিগা লোয়ননা মখল-মখা কয়াগী থৌদোক-ৱাথোক অতৎ-অখম লৈতনা থোরকপা থিংবা ঙমদনা লৈদৌরিবনি। মী হাৎপা, নুপী অঙাংদা নত্তবা লিচৎ চৎপা, নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নববু তেমশিংনবা... পূম্নমক শরক হাংদনা চথরক্তে করম হায়গনি? ফংগদৌরিবা দন্দি অদুমক কিদবনি হায়বদা অরানবদি ওইররোই।

মালেমগী লৈবাক খরদদি শিদ্রিবা ফাওবা থৌরিদা য়ান্দুনা থম্বগী অহকপা চৈরাক লৈবনা লৈবাক্তুগী মীওই ঙম্নমক অকিবা লৈবনা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌনদে। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদগা ওইরবা অহকপা চৈরাক ফনা য়াম্না ফংদনীংঙাই লৈরোই। খেন্ন-খেন্না অসুম লাকপনা ঙসিদি তাহৈদবা-উহৈদবা ঙাত্তুনা মশীং হেল্লক্লবনি। মসিদা ওইরক্কদৌরিবসিবু করম্না ফৈদা হায়দৌরি।

মচা-মশু হুরানবগী মহুত্তা মশক নাইবা তৌবনা ফৈ খন্দুনা অঙাং ফাদুনা শেলগী দিমান্দ তৌবা মসিগা লোয়ননা দিমান্দ লেট্টর পীশিন্দুনা পুবা থাংবা ঙম্লরোইদবা শেনফম লৌনবা হোৎনরকপা মসি মাঙলমচত্তগী চৎনরকপনি হায়রসিরা? মীনা মীবু অসুক ওৎপসিবু করি পুকচেল কৌবগে?

মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদবা মহাক অদুগী নুপী অঙাং, মমা-মপা, মরী-মতা, মরুপ-মপাং নুংশিবা ফাওরমগদ্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি? শামুক-ঙামুক ওইরবা অদুগুম্বা মহাক্তুনা মাগী অনীংবা অপাম্বা অদুতবু ফংলগা লোইরে খনবদগী নুংশিবা করিনো খঙলমলোইদৌরিবনি।

শাহিং-ঙাহিং চাবা মখোয়শিংগী মহিংগা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী খুহিংগা মানৈদা হায়বা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মীওইবদি মীওইবা অমা ওইনা লৈবনা অফবা হায়বদু ওইরদবনি। মৈরৌ হেল্লবা চেক্লা ফজবা হায়বদুমদি ওইনীংঙাই ওইদবনি। মৈরৌবু হেনবদা ফজবা অতৈ করি অমা লৈতবনি।

গভর্ণমেন্টকী ফম অচৌবা তৌবা লৈবাক্লা শিংথানরবা মীওইদু ফাওবা হেঞ্জিন্না পৈশা চাবা পাম্লুবদগী অফা-অপুন লাকপা, মুন্না খল্লুরবদি অচংবা পৈশা চারুবগী দষানি। অশিবা পৈশা চাবদা অফা-অপূন তৌখ্রে থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। ঐখোয়না খঙদবগী ৱানি, লুচিংবা মানবা কয়া অমা লৈরিবসি শেনফম খঙনা চারমদৌরিবনি। মাদি তশেং তশেংনা চাদবনি হায়না মচিনমক্লা মান্না হায়বা মহাক অদু ফাওবা পুরুক শৌবীদা ঈরুপ্লু হায়বদা য়ারক্কদবা মান্দ্রবনি।

শম্না হায়রবদা হুরাল্লু, ফাহনগনু। তৌবতবু মন্ত্র অমা ওইনা মসিমদি নীংশিংবা খ্বাইদগী ফরবনি। চোরি করো, পকরা মট খাউ- খুদিংমক অচুম্বা চৎপা ঙম্বা নত্তে। খুদোংচাববু ফংলবদি নাম্থোকহন্দবনা খ্বাইদগী অফবা ওইনা খল্লুবা য়াবা নত্তে।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। ‘কোন্থৌজম য়ূমফম’ মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। “চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।” ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। “ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।” ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। “হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োহ্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।” ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। “নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?” ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।